

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেণ্ড শান্নখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেলদা সেঞ্চুরি লৌখিবা ইন্দিয়াগী বিরাট কোহলি*

*ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মেন্স দবলসতা মায় পাক্লবা ইন্দো চেককি শান্নরোই অনী লেন্দা পেস অমদি য়ুকি ভমবিরনা ট্রোফি লৌমিন্নরি*

## হেরো হোকি ৱার্ল্ড লীগ নেদরলেণ্ডসনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ১৯ঃ*

ইন্দিয়ানা যুম্ব ওইদুনা লৈবাক ৮ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১০ দগী ন্যু দিল্লীগী মেজর ধ্যানচান্দ নেসনেল হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা হেরো হোকি ৱার্ল্ড লীগকি ফাইনেলদা নেদরলেণ্ডনা ন্যু জিলেণ্ডবু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অদুদা নেদরলেণ্ডনা ন্যু জিলেণ্ড টিমবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। লোয়ননা টিম অসিগী শান্নরোই কোনষ্টেনটিন জোনকরনা হেটট্রিক লৌখিবগা লোয়ননা ন্যু জিলেণ্ড টিম্বু গোল ৭–২ দা মায়থীবা পীখি। ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা মিনিট ১০ ফাওবদা টিম অনীমক্না য়াম্না মান্ননা শান্নখি। মায়কৈ অনীমক্না এটেক অমদি কাউন্টর এটেক তৌদুনা মান্ননা লৈখি। লোয়ননা মখোয় মখোয়গী টিমগী গোল একাউন্দ হাঙনবসু কন্না হোৎনদুনা শান্নখি।

মেটচকি ১৭ শুবা মিনিটতা দেবোন মঞ্চেষ্টরনা পীরকপা পাস অমদা জোনকরনা বেক হেন্দ রিভর্স অমদা য়াম্না অখুবা এঙ্গলদা য়ৈশিন্দুনা অহানবা গোল একাউন্দ হাংদোকখি।

গোল অসি চন্দ্রিডৈগী মমাঙ হায়বদি অহানবা হাল্ফকি ১৫ শুবা মিনিটতদি নেদরলেণ্ড টিম্না ন্যুজিলেণ্ডগী দিফেন্দরশিংনা অকনবা এটেক কয়া চথদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। অহানবা ওইনা ফংবা পেনালটি কোনর অদুদা ন্যুজিলেণ্ড টিম্না নীংথিনা ঙাকথোরকপগা লোয়ননা গোল চন্নবগী খুদোংচাবা লৈখিদে।

মেটচ অদুগী ২৩ শুবা মিনিটতা নেদরলেণ্ড টিমগী বিল্লি বেক্করনা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা টিম অসিনা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মতম অসি ফাওবদা ন্যুজিলেণ্ড টিম্না গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে।

নেদরলেণ্ড টিম্না মখা তানা অকনবা এটেক চঙশিনখি। ফাষ্ট হাল্ফকি অরোইবা মতমদা জোনকরনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেটচ অসিদা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা নেদরলেণ্ড টিম্না গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনীমক্না মখা তানা শান্নরকখি। মেটচকি ৩৬ শুবা বোব দে ভোগদ নেদরলেণ্ডগী শান্নরোই অসিনা গোল অমা চনবা ঙমখি। মসিগা থংনবা মিনিটতা মেটচকিনা ৩৭ শুবা মিনিটতা ন্যুজিলেণ্ডগী ইদৱার্সনা গোল অমা চনবগা লোয়ননা স্কোরদা ৪–১ দা লৈখি। ন্যুজিলেণ্ড টিম্না গোল অমা হন্দোকপা ঙম্বগা লোয়ননা টিম অসিনা কাউন্টর এটেক তৌদুনা নেদরলেণ্ডগী মায়োক্তা গোল চন্নবা হোৎনরকখি।

মেটচকি ৪৫ শুবা মিনিটতা নেদরলেণ্ডগী রোজর হোফমেননা গোল চনবগা লোয়ননা টিম অসিগী গোল মশীং ৫ শুহনবা ঙমখি। অদুবু নেদরলেণ্ডনা দোমিনেট তৌদুনা শান্নখিবা প্লে অদুগী ৫২ শুবা মিনিটতা ন্যুজিলেণ্ডগী ইদৱার্দনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকি ৫৯ শুবা মিনিটতা ব্লেগ ষ্টিকনা বেক্করনা পীরকপা পাস অমদা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা টিম অসিনা ৬–২ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী অরোইবা মতমদা নেদরলেণ্ডগী জোনকরনা হেটট্রিক ফংবগা লোয়ননা অরোইবা গোল চন্দুনা নেদরলেণ্ড টিম্না ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লিবা হেরো হোকি ৱার্ল্ড লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ট্রোফি লৌবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোই অমা হন্দক্কি হেরো হোকি ৱার্ল্ড কপ অসিদা ওইখি।

অমরোমদা ইংলেণ্ড টিম্না ওষ্ট্রেলিয়া টিমবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা টিম অসিনা ৩ শুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্চ মেদল ফংখি।

## ইন্দিয়া ন্যুজিলেণ্ডগী মখুত্তা রন ২৪ দা মায়থীখ্রে



*নেপের, জনুৱারি ১৯ঃ*

ন্যুজিলেণ্ডগী স্কিপর ব্রেনদোন মেককুলমনা লুচিংবা টিম্না ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়াবু অহানবা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট মেটচতা শুপ্নগী রন ২৪ দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেণ্ড টুরদা ৱান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৫ শান্নগদবা অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিত্তা যুম্ব ওইরিবা ন্যুজিলেণ্ড টিমগী মখুত্তা শুপ্নগী রন ২৪ দা মায়থীবা নঙখ্রে। মখা তাবা মেটচশিং অসিদা ইন্দিয়ানা শোইদনা মায় পাক্কনি হায়না ইন্দিয়াগী স্কিপর মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুজিলেণ্ডনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা মখোয়না রন ২৯২ লৌখি। ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইনিংসতা ন্যুজিলেণ্ডনা থল্লল্লিবা রন অদু তান্ননবা হোৎনখি।

ন্যুজিলেণ্ড টিমগী ওইনা এন্দরসননা বোল ৪০ দা রন ৬৮ লৌখি। মহাক্না ৪ অহুম অমদি ৬ মরি লৌদুনা টিম অসিদা চাউনা মতেং পাংখি। ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেণ্ডগী টিম্না থল্লল্লিবা রন অদু লৌন্নবা ওপনর ওইনা রোহিট শর্ম্ম অমদি সিকারা ধাৱননা শান্নবা হৌরকখি অদুবু রন ১৫ লৌরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট অদু ওভর ৫.২ দা তুখি।

রোহিট শর্ম্মনা আউট ওইখ্রবা মতুংদা বিরাট কোহলিনা ফাষ্ট মেন ওইনা থোরকখি। মহাক অমদি সিকারি ধৱননা রন ৭৩ লৌরবা মতুং ওভর ১৮.১ দা সিকারি ধৱন আউট ওইখি। মহাক্কী মথংদা অজিনকা রহানা চঙলক্তুনা বিরাট কোহলিগা পার্থনর ওইদুনা মখা তাবা রন লৌনবা হোৎনখি। অদুবু শুপ্নগী রন ৯ লৌরবা মতুংদা ওভর ২১ দা নৌনা থোরকখিবা রহানা আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৩ তুবদা রন ৮৪ খক লৌখি।

সুরেস রাইনা থোরক্তুনা মখা তানা শান্নরকখি। মহাকসু রন ১৮ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না লৌখিবা রন অসি ১২৯ নি। সুরেস রাইনানা আউট ওইবা মতম অদুদা ওভর ২৮.২ দনি। মখা তানা ইন্দিয়াগী স্কিপর মহেন্দ্র সিংহ ধোনি থোরক্তুনা সুরেস রাইনগা পার্থনর ওইদুনা ৱাংলিবা রনশিং অদু লৌন্নবা হোৎনরকখি।

ধোনিনা রন ৪০ লৌরবা মতুংদা মিটচেলগী বোল অমদা লুকেনা ওক্তুনা আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়া টিম্না লৌখিবা রন অসি ২২৪ নি। মথংদা রবিন্দ্র জাদেজাসু রন অমত্তা লৌদনা আউট ওইখি। মতম অসি ফাওবদা স্কোরদা অহোংবা লৈতে। বিরাট কোহলিনা ৭ শুবা ৱিকেট ওইনা তুখিবদা রন ২৩৭ খক লৌখি। ইন্দিয়ানা ওল আউট ওইবদা শুপ্নগী রন ২৬৮ লৌখি।

## পোঙ্গল ফেষ্টিবেলদা ১ শিরে ২৯ শোক্লে



*শিভগঙ্গা, জনুৱারি ১৯ঃ*

সাউথ ইন্দিয়াগী টামিলশিংগী অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা পোঙ্গল ফেষ্টিবেল হায়রগসু খঙনবা জালিকাটু ফেষ্টিবেল হায়রগসু খঙনবা ফেষ্টিবেল অসিগী অরোইবা নুমিৎ ওইনা কান্দুপট্টি দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা চহীগী ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না নুমিৎ হুমনি পাঙথোকপগী মনুংদা ষণ পূজা তৌবগী শরুক অমা ওইনা মফম অদুদা ষণ ৪১ পুরকপগী মনুংদা ষণ ২৪ দা পোঙ্গল ফেষ্টিবেলগী মনুং চন্না ফাবা ঙম্বগী তান্নবা অমসু পাঙথোকখি।

মদুদা কুম্মৈ য়েংলিবা মীওই অমা ষণনা নেৎপদগী শিখ্রে। অদুগা মীওই ২৯ অমনা শোকখ্রে। অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই ২৫ দি মাইনর ইঞ্জুরি ওইখি অদুগা ৫ অমনা য়াম্না সেরিয়স ওইবদগী মধুরাই অমদি শিভগঙ্গা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। সেরিয়স ওইবা অনাবা মঙাগী মনুংদা অমদি লৈখিদ্রে হায়নসু এজেন্সিগী পাউ অসিনা মখা তারি।

## অনা ইভানোভিকনা সেরিনা ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীখ্রে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ১৯ঃ*

হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা টাইটল লৌদুনা ১৮ লক শুবা গ্রান্সলামগী আশা তৌরম্বা আমেরিকাগী শান্নরোই ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ রেঙ্কিংদা লৈরিবা সেরিনা ৱিল্লিয়মসপু ৪ রাউন্দদা মতম অমগী চেম্পিয়ন ওইখিবা অনা ইভানোভিকনা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা হন্দক্কি চহীগী ওইনা ওপন অসিদগী বিদাই পীখ্রে।

অনা ইভানোভিকনা হন্দক্কি চহী অসিদা ৱিল্লিয়মস মচিন মনাওবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মহাক্না হন্দক্তা লোইশিনখিবা উকলেন্দ দব্লিউ টি এ টুর অদুগী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী সেরিনা ৱিল্লিয়মসকি মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

সেরিনা ৱিল্লিয়মস অসি হন্দক্কি ওপন অসিদা মরীশুবা রাউন্দ মায়থীবা নঙখিবা অসিনা মাগী শাঙলবা টেনিসকি কেরিয়রদা মসিনা খ্বাইদগী শাঙনা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবনি। সেরিনানা হন্দক্কি ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা থার্দ রাউন্দদা মায় পাক্তুনা ৪ শুবা রাউন্দ চঙলকখিবা অসিনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মেটচতা মহাক্না শান্নবা ৬১ শুবা মায় পাকপা ওইরি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ১৮ লক গ্রান্সলাম টাইটল লৌগনি হায়না আশা চাউনা তৌরম্বা সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মতম অমগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন হৌজিক্না ১৪ শুবা সিটতা লৈরিবা অনা ইভানোভিকপু অহানবা সেটতা ৬–৪ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

মসিদা অনা ইভানোভিকনা মহাক্কী সার্ভিস অমা ব্রিন ওইবা ঙমখিদে। মসিগী মরমদি মহাক্না সার্ভিস অদুদা দবল ফোল্ট ওইখিবনা ৱিল্লিয়মনা সার্ভিস ব্রেক তৌবগা লোয়ননা অনাবু ৬–৪ দা মায়থীবা পীখি।

মতম অমগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বী হৌজিক্না ১৪ শুবা সিটতা লৈরিবী অনা ইভানোভিকনা অনীশুবা সেট অদুদা সেরিনাগী সার্ভিস অনী ব্রেক তৌবগা লোয়ননা ৬–৩ দা মায়থীবা পীখি।

শান্নরোই অনীমক্না মেটচ অমমম মায় পাক্লবা মতুংদা অহুমশুবা সেট ওইনা দিসাইদিং শান্নবদসু হান্নগী চেম্পিয়ন ওইরম্বী অনা ইভানোভিকনা মহাক্কী সার্ভিস অশোইবা অমত্তা ফাওদনা অমদি সেরিনাগী সার্ভিসপু অরোইবা সেট অসিদসু অনীরক ব্রেক তৌদুনা সেট অসিসু ৬–৩ দা মায়থীবা পীখি।

মায়থীবা নঙলবা ৱার্ল্ড নম্বর ১ সেরিনা ৱিল্লিয়মনা ফোঙদোকপদা ইভানোভিকনা ঙসি মাগী মায়কৈদা য়ৈরকখিবা ষ্টোকশিং অসি য়াম্না নীংথিজৈ। মহাক্কী বেক হেন্দ অমদি ফোক আর্ম অসিসু য়াম্না ফোর্সফুল ওই। ঙসিগী মেটচ অসি মহাক্কী মায়কৈদা লেপখি হায়বদি আউট তারগনি খন্না য়ৈখিবা বোল কয়া ইভানোভিকনা য়াম্না নীংথিনা কলেক তৌদুনা শান্নখিবা অসিননি।





## সরাপোভানা গেগী প্রোপেগন্দাগী মতাঙদা করিগুম্বা অমত্তা পন্নিংদে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ১৯ঃ*

রুসিয়াগী সোচি হায়বা মফমদা পোকখিবা ৪ রক গ্রান্সলাম টাইটল লৌখ্রবা হৌজিক হৌজিক মেলব্রোন্দা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা মহাক্না সোচি ৱিন্টর ওলেম্পিক য়েংনিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

মহাক্না ৱিন্টর ওলেম্পিক অসি অহানবা ওইনা সোচিদা পাঙথোকখিবা অদুদা মহাক য়াম্না অঙাং ওইরি অমদি ইমুং মনুং অমসুং মরুপ মপাংশিংগা য়েংমিন্নখি। হৌজিকসু মথংগী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা মহাক য়েংনিংবগী ৱাফম পল্লদুনা হায়, হৌজিক রুসিয়াদা কন্ট্রোভরসেল ওইরিবা গে প্রোপেগন্দা লোগী মতাঙদা মহাক্কী মায়কৈদগী করিসু হায়খিবা লৈতে অমসুং মখোয়গী মরমদা মহাক্না হায়নীংবা ৱাসু লৈতে। লৈবাক অমদা লো অমা লৈবা হায়বসি ইন্দিভ্যুজিএল ওইবা অমগী অপাম্বা খক্তা নত্তে। লো অসিদি মফম পূম্নমক্তা অচুম্বগী মায়কৈদা লেপ্পি হায়বা ৱাফম পনখি। নীংশিংবা য়াই শান্নরোই অসিনা ২০১২ তা পাঙথোকখিবা লণ্ডন ওলেম্পিক্তা রুসিয়ন টিমগী ফ্লেগ বিয়ারর ওইখি।




Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

**MILLENNIUM SCHOOL**

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- ✓ Home away from home for day care
- ✓ Hygienic mid day meal for day care
- ✓ Audio Visual Classrooms
- ✓ Play-way method of teaching system
- ✓ Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- ✓ Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B



**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**

URIPOK POLEM LEIKAI

**ADMISSION OPEN FOR** | **MOCK TEST 2014**

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | (87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | (86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG/ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726